# চীং তম থোং মান্ননা চাউখৎমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ হায়বা খঙমিন্নসি ঃ এল জয়ন্তকুমার

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ০৪(এস এন এস)ঃ

হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক অসিনা চীংদা লৈরিবা মীওইশিংবু নুংশি। ষ্টেট অসি চাউখৎপা অসি চীং–তম পূন্না চাউখৎলবা মতমদা ওইগনি হায়না মণিপুর লৈঙাক্কী আর্ট এন্দ কলচর মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী রিঙ্গুই ভিল্লেজদা নৌনা শাগদবা সেন্টর ফোর কলচর এন্দ মুভিং ইমেজ (কলচরেল এন্দ হেরিটেজ কমপ্লেক্স) গী উরেপ উয়ুং তম্বগী থৌরমদা অথোইবা মিথুংলেন ওইনা শরুক য়ারদুনা মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা হায়, হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক অসিনা পায়খৎলকপা থবক থৌরমশিংনা মরম ওইরগা চীং অমদি তম অমত্তগী ৱাখল মীয়ামদা ফাওনরে। ঐখোয় অমতনি, তোখায় তাবা ৱাখল খনবা মীওইশিং অদুদি পুকচেল শেংদবা কাঙবুনি। ঐখোয় পূম্বা কাঙলূপ ফুরুপকী ওইবা ৱাখল তুংওইনরবা মীওইবা খুন্নাই হায়বা ফুরুপ অদুগী মনুংনি হায়বা খনবা মতম ওইরে।

রিঙ্গুই খুলগী ওইবা তোপ তোপ্পা লমদম অসিগী নাৎ, কলচর য়োকখৎনবা হোৎনরিবা থৌদাংশিং লোয়ননা ফিল্ম, আর্ট এন্দ কলচরগী মনুং চনবা পুৱারী কয়া শাগোন্নদুনা লৈবা খুলনি। মহৌশাগী ওইবা ফজবা কয়াদা য়ূম্ফম ওইরগা রিঙ্গুই খুলদা সেন্টর অসি থম্বগী ৱারেপ অসি লৌখিবনি।

মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়, কলচরেল এন্দ হেরিটেজ কমপ্লেক্স অসি শানবগীদমক অখন্নবা কন্ট্রেক্তরদা পীথোকপা তৌরোই। শাননবগী লমগী দিমাক্রেসন তৌবদগী হৌরগা শেনফম খুদিংমক খুলগী নিংথৌ অমদি হীরমসিদা থৱায় য়াওজরিবা খুঞ্জাশিংগা লোয়ননা থবক তৌহনগনি। হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা চীং–তম অনীমক্কী থোং মান্ননা য়েংবা মীৎয়েংদা থবক তৌরিবসি মীয়ান্না খঙবিবা হৌরে। তোঙান তোঙানবা কম্যুনিটিগী ৱাখল্লোন খনবগী মহুত্তা মীওইবা অমতা ওইবা মীৎয়েংদা য়েংমিন্নসি। মালেমদা লমদম অসিনা কলচরদা হেন্না চাউখৎপা লমদম অমা ওইহনসি হায়না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগী থৌরম মপু ওইখবা ৪৫–চিঙাই এ সিগী এম এল এ খাসিম ভাশুমনা হায়, চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লুচিংবা লৈঙাক অসি লাকপদগী চীং অমদি তমগী খেন্নবা থমদনা থবক কয়া পায়খৎলক্লি। উখ্রুলদা অহেনবা মীৎয়েং থমদুনা সিরুই ফেষ্টিভেলনচিংবা পাঙথোক্লিবসি শেল মাঙহনবা নত্তে। ষ্টেট অসিগী মীওই অয়াম্বা মফম অসিদা লাক্কুনা অমতা ওইনা শরুক য়ামিন্নবগী খুদোংচাবা ওইনা পায়খৎলকপা লৈঙাক্কী থৌরাং অসি উখ্রুলগী মীয়ান্না তরান্না ওকই। আর্ট এন্দ কলচরগী ওইনা বদজেট পীক্লা লৈজরবসু লমদম অসিগী কলচরবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবা মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা লৌখৎলক্লিবা থৌরাংশিং অসি থাগৎনিঙাইনি। হৌখিবা কুমজাশিংদা ইম্ফালদা পাঙথোকপা মরু ওইবা থৌরমশিংদা মৈতৈশিংতগী ওইবা জগোয়নচিংবা কয়া উৎলম্বদু ঙসিদি চীংমীশিংগী কলচরগা মরী লৈনবশিংসু উৎপা থেংনরে। মসিনা তাকপদি চীংমী–তম্মীগী মরীদা অফবা লাক্লে হায়বনি হায়না ফোঙদোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা ষ্টেট আয়ুশ সোসাইটি মণিপুর অমদি দাইরেক্টোরেট ওফ আয়ুশ লম্ফেলপাৎ অনীনা পূন্না খুৎশন্নদুনা নোংমগী ওইবা ফ্রী আয়ুশ হেল্থ কেম্প অমদি এৱার্নেস প্রোগ্রাম অমসু পাঙথোকখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা হেল্থ মিনিষ্টরগী থৌসু পুরিবা এল জয়ন্তকুমারনা ষ্টেট অসিদা কোরোনাভাইরসকী সস্পেক্টেদ কেস অমা লাক্লে হায়বা ৱাফম অদুগী মতাংদা শন্দোক্লদুনা হায়, মোরেদগী কোরোনাভাইরসকী সস্পেক্টেদ কেস অমা রিমসগী আইসোলেটেদ ৱার্দতা ওবজার্ভেসন লৌদুনা থল্লি। পেসেন্ট অসিগী ব্লদ কোরোনাভাইরসনা ইনফেক্টেদ ওইব্রা হায়দুনা চ্যেক তৌনবা থাখ্রে, পাখৎনিঙাই ওইদ্রি। মখা তানা ষ্টেট অসিগী এন্ট্রি পোইন্টশিংদা ষ্টেট অসিদা চঙলকপা মীওইশিং চ্যেক তৌনবা হায়দুনা হেল্থ দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলি। জেনিমস অমদি রিমসদা লায়না অসিগীদমক অখন্নবা আইসোলেটেদ ৱার্দ শেন্নগা থম্লে হায়না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা আর্ট এন্দ কলচরগী কম্মিস্নার এম জয়, মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম এন্দ টেলিভিজন ইন্সটিট্যুটকী দাইরেক্তর প্রোফেসর নিলোটপাল মজুমদার, রিঙ্গুই ভিল্লেজগী হেদমেন অতম এ শিমরে য়াওনা রিঙ্গুই ভিল্লেজগী মনাক নকপা খুলশিংগী হেদমেন অমসুং তোঙান তোঙানবা সি এস ওশিংগী লুচিংবশিংসু শরুক য়াখি।

# বেবিসনা মীশিগী মতাংদা সি বি আইনা ২শুবা থাগী ইনভেষ্টিগেসন রিপোর্ট পীখৎলক্লে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ০৪(এস এন এস)ঃ

হৌখিবা কুমজা ২০১৯ গী জুলাই ১৮ দা ষ্টেন্দার্দ রোবার্ট হায়র সেকেন্দরী স্কুল কাঞ্চিপুরগী হোষ্টেলগী কাদা মহৈরোই বেবিসনা চিংনিনংঙাই ওইবা মওংদা শিরমখিবা থৌদোক অদুগী কেস সি বি আইনা থিজিনবা হৌখিবগা লোয়ননা ইনভেষ্টিগেসনগী অনীশুবা থাগী রিপোর্ট সি বি আই স্পিপিয়েল ক্রাইম ব্রাঞ্চ কোলকটানা চীফ জুদিসিয়েল মেজিষ্ট্রেট ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্টতা পীখৎলকখ্রে।

হায়রিবা ইনভেষ্টিগেসন রিপোর্ট অদুনা পল্লিবদি, বেবিসনা মীশিগা মরী লৈননা মমাঙ চহীগী নবেম্বর ৬ তা মণিপুর হায় কোর্টনা কেস অদুবু সি বি আইদা ইনভেষ্টিগেসন চৎথনবা ওর্দর তৌখি। লোয়ননা ইন্সট্রকসন মতুং ইন্না মমাঙ চহীগী দিসেম্বর ৪ দা আই পি সি সেক্সন ৩০৫,৩৪ অমসুং জুভেনাইল জষ্টিস (কিয়র এন্দ প্রোটেক্সন) এক্টকী সেক্সন ৭৫ কী মখাদা সি বি আই এস সি বি কোলকটানা ষ্টেন্দার্দ রোবার্ট হায়র সেকেন্দরী স্কুলগী ওথোরিটিগী মথক্তা কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা ইনভেষ্টিগেসন চৎথবা হৌখিবনি।

সি বি আইনা সেন্ট্রেল ফোরেন্সিক সাইন্স লেবোরেটোরি ন্যু দিল্লিদা চেথাদুনা মখোয়গী এক্সপার্টশিং লাক্কুনা থৌদোক থোকখিবা মফম অদু য়েংশিন্নবা খঙহনখি। লোয়ননা সি এফ এস এল ন্যু দিল্লিকী এক্সপার্ট এম বরধাননা লুচিংবা টিম অমনা মফম অদুদা চঙশিন্দুনা ক্রাইম স্কিন শাগৎখি অমদি মখা তানা ইনভেষ্টিগেসন চৎথরি। লোয়ননা স্কুল অদুগী ওথোরিটিশিং, ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট এস পি অমদি বেবিসনাগী অপোকপসু ফেব্রুৱারি ১৫ দা সি বি আই অমদি সি এফ এস এল ন্যু দিল্লিগী টিম অদুগা উননবা ঙহনখ্রে। মদুগী মথক্তা বেবিসনা লৈখিদবা নুমিৎ অদুদাকা অদুদা লৈখিবা অঙাংশিং অদুগী ষ্টেটমেন্ট লৌননবা মণিপুরগী চীফ সেক্রেটরীদসু সাইকোলোজিষ্টশিং থৌরাং তৌদুনা থম্মনবা খঙহনখ্রে।

লোয়ননা সি বি আই ইনভেষ্টিগেসন মনুংদা বেবিসনাগী অপোকপা, শীংজমৈ পুলিস ষ্টেসনগী কেস অদুগী আই ও অমদি মণিপুর পুলিসকী কেস অদুগা মরী লৈননা থিগৎপগী থবক তৌরিবা টিম অমদি কমপ্লেনেন্টগী ষ্টেটমেন্ট রেকোর্দ তৌখি। ষ্টেন্দার্দ রোবার্ট হায়র সেকেন্দরী স্কুল কাঞ্চিপুরগী ওথোরিটিশিং অমদি প্রিন্সিপালগী ইমুংশিংগী কন্টেক্ট নম্বরশিংসু লৌখৎলে হায়রি। লোয়ননা ঙসি পীখৎলকখিবা রিপোর্ট অদুদা থাজবা য়াবা মরু ওইবা রিপোর্ট কয়াসু য়াওরি হায়রি।

অমরোমদা হায়রিবা অনীশুবা থাগী রিপোর্ট অসিগী মাঙওইননা মমাঙ চহীগী দিসেম্বর ৬ তগী চৎলিবা চহী অসিগী জনুৱারি ১ ফাওবগী মনুংদা চৎথখিবা ইনভেষ্টিগেসনগী রিপোর্ট সি বি আইনা কোর্ট অসিদা জনুৱারি ১ দা পীখৎলকখি অমসুং কোর্ট অসিনা জনুৱারি ৩ দা রিপোর্ট অদু য়েংখিবনি।

# লেম্না এন সি দি স্কৃনিং কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ৪(এস এন এস)

পব্লিক ক্লবনা দিষ্ট্রিক্ট নন কম্যুনিকেবল দিজিজ সেল, দিষ্ট্রিক্ট হেল্থ সোসাইতি ইম্ফাল ইষ্ট অমদি অলবিয়া বাইওকেয়ারগা খুৎশম্নরগা নন কম্যুনিকেবল দিজিজশিং লেম্না খঙদোক্নবা কেম্প অমা ঙসি তোপ খোঙনাঙখোঙদা লৈবা পব্লিক ক্লব লাইব্রেরি কম ইনফোর্মেসন সেন্টরদা পাঙথোকখ্রে।

সি এম ও ইম্ফাল ইষ্টকী মায়কৈদগী ডাক্তর ৪ য়াওরগা পুন্না মীওই ৯না শাবা মীহুৎ কাঙবু অমগা লোয়ননা লৈকাই অদুদগী পেদিয়াত্রিসিয়ান ডা. এ নরানবাবু অমদি অতোপ্পা ডাক্তর অহুমনা অনা লায়েংগী থবক অদুদা মতেং পাঙখি। কেম্প অদুদা এল এফ টি, কে এফ টি, সুগর অমদি অতৈ লেবোরেটোরি টেষ্টশিং তৌখিবগা লোয়ননা হিদাক লাংথকশিং লেম্না য়েন্থোকখি।

হেল্থ কেম্প অদুগা মরী লৈননা ক্লব অসিগী প্রিসিদেন্ট এল বিবেকানন্দনা হায়, ক্লব অসিনা মতমবু নিংথিনা শিজিন্নবা, হকশেল অমদি লুবানানবগী হিরমদা অখন্নবা মীৎয়েং চংদুনা লৈকাই অসিগী য়াইফ থৌরাংগী থবক থৌরমশিং পায়খত্তুনা লাকপগী শরুক অমা ওইনা মীয়াম্বু হকচাং ফনা থম্নবগী পান্দমদা ঙসিগী লেম্না লায়েংবগী কেম্প অসি পাঙথোকপনি।

কেম্প অসিনা লমদম অদুদা লৈরিবা শেল থুমগী ফিভম চাদবদগী অনা লায়েংগী খুদোংচাবা ফংবা ঙমদনা লৈরিবা মীওইশিং, থবক চীনবা অমদি চখোক চৎশিন তৌবগী খুদোংচাদবা মায়োক্লরিবা মীয়ামদা হেন্না কান্নবা পীরগনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়খি।

# য়ুনিয়ন বজেট ২০২০–২১ না অৱাং নোংপোক্তা খ্বাইদগী হেন্না মীৎয়েং থমলি : ডোনর মিনিষ্টর

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ০৪(এস এন এস)ঃ

হন্দক্তা ফাইনান্স মিনিষ্টর নিরমলা সিতারমননা লোক সভাদা পুথোকখিবা য়ুনিয়ন বজেট ২০২০–২১ অদুনা অৱাং নোংপোক লমদমগী চাউখৎ থৌরাংদা খ্বাইদগী হেন্না মীৎয়েং থমলি হায়না য়ুনিয়ন মিনিষ্টর জিতেন্দ্র সিংহনা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না হায়খি, দিভলপমেন্ট ওফ নোর্থ ইষ্টর্ন রিজন (ডোনর) গী বজেটরি এল্লোকেসন মমাঙগী বজেটতা লূপা কোটি ২,৬৭০ ওইরম্বদগী হন্দক্কী বজেটতা লূপা কোটি ৩,০৪৯ দা হেনগৎতুনা চাদা ১৪ হেনগৎলে। অদুগা নোর্থ ইষ্টর্ন কাউন্সিল (এন ই সি)গী বজেটসু লূপা কোটি ৭০০ দগী শরুক অনী হেনগৎতুনা লূপা কোটি ১,৪৭৪ ওইরে।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ২০১৪ দা লৈঙাকলকপা মতমদগী হৌনা অৱাং নোংপোক্তা থমলিবা মীৎয়েং অদুগী পরিংদা লমদম অসিবু মায়কৈ খুদিং মক্তা চাউখৎহন্নবা হোৎনদুনা লাক্লি। হৌখিবা ২০১৪ দগী হৌনা অৱাং নোংপোক্তা থাদবা ফন্দ লেপ্পা লৈতনা হেনগৎলক্লি হায়না মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

ডোনর মিনিষ্ট্রিগী অপুনবা বজেটরি এল্লোকেসন লূপা কোটি ৩,০৪৯ গী মনুংদগী লূপা কোটি ২৯০০ দি চাউখৎ থৌরাংগী মচাক মথুম ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎনবনি। মসি ২০১৪ দদি লূপা কোর্টি ১,৭১৯ খক্তা ওইরম্বনি। ডোনর মিনিষ্ট্রিগী ২০২০–২১ বজেট এল্লোকেসন অসি মমাঙ চহীদগী চাদা ৭৭.২৬ হেনগৎলবনি।

অদুগা নোর্থ ইষ্টর্ন কাউন্সিলগী বজেটরি এল্লোকেসন অসিসু ২০১৯–২০ দা লূপা কোটি ১,২৩৭ ওইরম্বদগী ২০২০–২১ দা লূপা কোটি ১৪৭৮ দা হেনগৎখ্রে।

# কম্বাইন্দ টিমনা লালহৌবা অনী ফারে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ০৪(এস এন এস)ঃ

কাংপোকপি দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা ফাইলেনকোট চীংশাং পরেংগী এক্কর ১৩৫ রোমগী পাকচাওবা লমদা থারম্বা পোপ্পি পাম্বি য়াম্থত্তুনা মাংহনখ্রে।

পোপ্পি পাম্বী য়াম্থৎপগী থবক অদু এন এ বি, স্পিসিয়েল কম্মান্দো টিম, ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্ট, ৭শুবা এম আর, ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিস, ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিস, হোমগার্দ, ১৫শুবা আসাম রাইফল অমদি কাংপোকপি দিষ্ট্রিক্টকী অপুনবা টিমনা চংখিবনি। লোয়ননা এন এ বি পুলিস ষ্টেসননা এফ আই আর অমা লৌখৎখ্রে হায়রি।

# টি–সেরিজ ফীল্ম একাদেমিগী ইনফোরমেসন সেন্টর অনী হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ০৪(এস এন এস)ঃ

ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী চাউবা ম্যুজিক লেবেল অমদি প্রদক্সন হাউস ওইরিবা টি–সেরিজকী রিজনেল ফীল্ম একাদেমি অমা গুৱাহাটিদা হাংদুনা মপুং ফানা চলাইবা হৌখিবগা লোয়ননা মণিপুরদসু একাদেমি অসিগী ইনফোরমেসন সেন্টর দোনবোস্কো কোল্লেজ মরামগা খুৎশম্নদুনা হাংদোক্লে হায়না একাদেমি অসিগী সি ই ও সুবদিপ ৱাহনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি নোর্থ এ ও সিদা লৈবা ক্লাসিক হোটেলদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা মহাক্না মখা তানা হায়, লৈবাকসিগী অৱাং নোংপোক লমদমশিং অসি আর্ট এন্দ কলচরগী লমদা মালেমদা মমিং চৎলিবনি। অসিগুম্বা মফমশিং অসিদগী লম অসিদা হৈ–শীংবা মীওইশিং অদুবু নীংথিনা তাকপী তম্বীদুনা হেন্না মায় পাক্লবা শেম্বীবগী পান্দমদা টি–সেরিজ ফীল্ম একাদেমি অসি গুৱাহাটিদা লিংখৎপনি। একাদেমি অসিনা পীরিবা খুদোংচাবশিং অদু ষ্টেট অসিগী মীয়াম্নসু ফঙবদা লাইনবা হায়দুনা ষ্টেট অসিগী সেনাপটি দিষ্ট্রিক্টকী মারুলোংদা অমদি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী থঙ্গাল কৈথেলদা ইনফোরমেসন সেন্টর অনী অসি হাংদোকপনি।

একাদেমি অসিদা মখল কয়াগী ফীল্মগা মরী লৈনবা কোর্সশিং অহোংবা মমলদা তম্বগী খুদোংচাবা পীরি। লোয়ননা অৱাং নোংপোক লমদমগী মীওইশিংগীদমক্তা হেন্না অহোংবা মমলদা তম্বা য়াবগী খুদোংচাবসু পীরি। লোয়ননা তম্বা লোইরবা মতুংদা থবক চঙনবগী লম্বীসু পীগনি হায়না মহাক্না মখা তানা হায়রি।

মসিদসু নৎতনা লমদম অসিগী ফীল্মবু পামজবা মমা মপা লৈজদ্রবা অঙাংশিংদা লেম্না কোর্সশিং অসি তম্বগী খুদোংচাবসু পীগনি হায়রি।

লোয়ননা মণিপুর গভর্ণমেন্ট অমদি মণিপুর য়ুনিভর্সিটি অসিগসু খুৎশম্নদুনা পাক–শন্না লমদম অসিদা ফীল্মগী প্রি অমদি পোষ্ট প্রদক্সনগী মতাংদা পাক–শন্না তাকপী তম্বীবগী অপাম্বসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

ঙসিগী পাউগী মীফম অদুদা লমদম অসিগী ফীল্ম এক্ট্রেস সোমা লাইশ্রম, একাদেমি অসিগী চীয়ারমেন সুরেস শর্ম্মা, পি আর ও পিয়ুস শর্ম্মা অমদি লমদম অসিগী ফীল্ম মেকর এল সুরজকান্ত শর্ম্মসু শরুক য়াখি।

# থোং শাবদা অরানবা তৌবশিং থিদোক্তুনা এক্সন লৌখৎকদবনিঃ বি জে পি খুন্দ্রাকপম মন্দল

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ০৪(এস এন এস)ঃ

য়ুন্নাম পাৎলৌদা থোং শাবদা অরানবা তৌরিবশিং থিদোক্তুনা মণিপুর গভর্ণমেন্টনা অথুবা মতমদা এক্সন লৌখৎকদবনি হায়না ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) খুন্দ্রাকপম মন্দলগী প্রিসিদেন্ট এম দেবরতন মীতৈনা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা ঙসি পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা মহাক্না মখা তানা হায়, খুন্দ্রাকপম এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মনুং চন্না লৈরিবা য়ুন্নাম পাৎলৌদা শারিবা থোং অসিগী মতাংদা পি দব্লিউ দি ইম্ফাল ইষ্টকী এগজিক্যুটিভ ইঞ্জিনিয়ার, কন্ট্রেক্তর অমসুং সব–কন্ট্রেক্তরনা ঙরাং মেডিয়াদা ৱাফম কয়া ফোঙদোরক্লিবা অসিনা মীয়ামদা চমন্নবা পোকহল্লে।

থোং শাবগী মতাংদা বি জে পি খুন্দ্রাকপম মন্দলনা থন্নীংবা ৱাফমদি, য়ুন্নাম পাৎলৌদা চহী ৭০ গী মমাঙদগী লৈরক্লবা থোং অদু খুদোংচাদবা ফীভম লাকপা, মতমগা চান্নদ্রবা থোং ওইরকপদগী নৌনা থোং শানবা কুমজা ২০১৬ গী এপ্রিল ১৪ দা ৱার্ক ওর্দর থোক্তুনা সেদ্যুলগী মতুং ইন্না থোং শানবা ৱাফম লৈখ্রবনি। অদুবু থোং শাবা অসিগী মতাংদা পীছ এন্দ দিভলপমেন্ট কো–ওর্দিনেটিং কম্মিটি (পি দি সি সি) গা থোং শারিবা কন্ট্রেক্তর, সব–কন্ট্রেক্তর অমদি ইম্ফাল ইষ্টকী এগজিক্যুটিভ ইঞ্জিনিয়ারগা চয়েৎনবা ৱাফম থোরকপা অদুদগী বি জে পি খুন্দ্রাকপম মন্দলনা থিজিনবদগী হীরম অসিগী অচুম–অরানশিং খঙবা ঙম্লে হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়, ৱার্ক ওর্দর পীবদা সেদ্যুলগী মতুং ইন্না থোং শাগদবনি হায়রবসু থোং শাবদা মরু ওইবা থৌদাং লৌরিবা মীওইশিং অদুনা মতম চানা থোং শাবা লোইশিনখিদে। অদুগা নৌনা থোং শাবগী মহুত্তা হান্নগী অরিবা থোং অদুদা নপশিন্দুনা স্লোপ হৈদুনা থোং শাজিল্লম্বদগী ৱাথোক থোরকপা ওইরমখ। মসিদগী পি দি সি সিনা চুন্না থোং শানবা খোঙজং চঙশিনবগা লোয়ননা অরানবা তৌরে হায়না ফোঙদোরকখিবনি।

ৱাফম অসিগী মতাংদা ঙরাং ইম্ফাল ইষ্টকী এগজিক্যুটিভ ইঞ্জিনিয়ার অমসুং সব–কন্ট্রেক্তর য়াওনা থোং অসি কাঙলোন চুন্না শাখি হায়না লান্না ফোঙদোকপা অদু লাইবক থিবনি। মদুনা কন্ট্রেক্তর অমসুং পি দব্লিউ দি দিপার্টমেন্টগা লৌতুনরবরা হায়বগী চিংনবসু পোকহল্লে। অসিগুম্বা কাঙলোন লানবা থবক অসি বি জে পি খুন্দ্রাকপম মন্দলনা য়াবা ঙম্লোই। অথুবা মতমদা পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা মীয়ামগী খন্দুনা মীৎয়েং চঙবিয়ু লোয়ননা মরাল লৈবশিং চৈরাক পীবিয়ু হায়না মহাক্না মখা তানা হায়খি।

# মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা ক্লিন্নিং ড্রাইভ পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ০৪(এস এন এস)ঃ

মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা য়ূম্থু ওইদুনা পাঙথোক্লিবা নোর্থ ইষ্ট এন এস এস ফেষ্টিভেল ২০২০ গী শরুক অমা ওইনা ঙসি মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ষ্টুদেন্টস (মুসু), এম য়ুগী এন এস এস প্রোগ্রাম কো–ওর্দিনেটর, ষ্টেটশিংদগী লাকপা প্রোগ্রাম ওফিসার অমদি এন এস এস ভোলুন্টিয়রশিংগা পূন্না খুৎশন্নদুনা ক্লিন্নিং ড্রাইভ প্রোগ্রাম অমা য়ুনিভর্সিটি অসিগী কেম্পসতা অয়ুক পুং ৭.৩০ দগী হৌদুনা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসিগী মতাংদা ঙসি মুসুগী প্রিসিদেন্ট মোইরাংথেম বোবিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ঙসি পাঙথোকখিবা ড্রাইভ অসিদা য়ুনিভর্সিটি অসিগী মহৈরোইশিং অমদি তোঙান তোঙানবা ষ্টেট ৮ দগী লাকপা এন এস এসকী ভোলুন্টিয়র ৩০০ না শরুক য়াখি। লোয়ননা থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা য়ুনিভর্সিটি অসিগী কেম্পসকী অকোয়বদা গারবেজ বিন কয়ামরুমসু নৌনা থমখি হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, মীওইবনা তোঙান তোঙানবা ফৎতবা থবক কয়া চত্থরকপদগী অকোয়বগী ফীভম কায়থরক্তুনা ঙসিদি কিনিঙাই ওইরবা লায়না–লায়চৎ কয়া শন্দোরক্লবগী মচাক ওইরক্লি। মসিদগী ঙাকথোক্লবা ঐখোয় পূন্না ৱাখল তামিন্নদুনা ঐখোয়না লৈরিবা অকোয়বগী ফীভম কন্দুনা তরু–তানানবা মফম অমা ওইহনবা হায়বসি ঐখোয় ইশা ইশাগী থৌদাংনি হায়না ৱাখল্লোন অদুদা থৌরম অসি পাঙথোকপনি।

য়ুনিভর্সিটি অসিবু লুনা–নান্না থমদুনা য়ুনিভর্সিটি অমা ওইবগী চপ চাবা শক্তম অমা ওইহন্নবা মুসুনা চত্থরক্লিবা থবক থৌরমশিং অসিদা য়ুনিভর্সিটি অসিদা লৈমিন্নরিবা সেক্সন খুদিংমক্না মখা তানা মতেং পাঙবিয়ু হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা হায়রি।

# সি পি আইনা ফেব্রুৱারি ১২ দগী ১৮ ফাওবা প্রোটেষ্ট ৱিক পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ০৪(এস এন এস)ঃ

কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (সি পি আই) গী সেন্ট্রেল ওফিসনা সেন্টরদা লৈঙাক্লিবা গভর্ণমেন্ট অসিগী ইকোনোমিক পোলিসি অমদি বদজেটকী মায়োক্তা ফেব্রুৱারি ১২ দগী ১৮ ফাওবা চয়োল অমা চুপ্পা প্রোটেষ্ট ৱিক পাঙথোক্কনি হায়না লাউথোকখ্রে।

সি পি আইগী নুমিৎ হুন্নিগী ওইবা নেস্নেল কাউন্সিলগী মিটিং ফেব্রুৱারি ২ দগী জেনরেল সেক্রেটরী দি রাজানা খূৎয়েক পীদুনা থোরকপা চেরোল অমনা হায়, হৌখিবা চহীগী জুলাই থাদা দিল্লিদা ফমখিবা নেস্নেল কাউন্সিলগী মিটিং অদুদগী হৌজিক ফাওবা অসিদা লৈবাক অসিগী ফীভম শোকচিল্লে, ইকোনোমি মওং তাদ্রে। থবক ফংদবগী চাং মমাঙদা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা চাংদা ৱাংলে। লৌউ–শিংউগী ফীভম মওং চাদ্রে। চিঞ্জাক্কী মমল ৱাংখৎলে। গভর্ণমেন্টনা হৌরকপদা ইকোনোমি স্লো দাউন্দ অসি য়ারমদ্রবসু হৌজিক্তি য়ানিংদ–য়ানিংদা য়ারে। অদুবু মসিগী কোপোরেটশিং শৌগৎপা, শিন্নীশিংগী মায়োক্তা লৈবা অমদি লৌমীগী মায়োক্তা লৈবা থৌশিলশিংদি মখা চত্থরি। মদু হন্দক্কী বদজেট অসিদসু মমি তারি।

মীফম অদুনা প্রোফেসর কোর্পোরেট ওইবা, মীয়ামগী মায়োক্তা লৈবা বদজেট অমদি অতৈ কয়াগী মায়োক্তা ৱারেপ অমা লৌখি। অদুগা হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা তো–খায় তোখায় তাহন্নবা থৌরাং কয়া লৌখৎতুনা কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ৩৭০ লৌথোকখি, ট্রিপল তলাক বিল পাস তৌখি, কন্সটিট্যুসনগী মায়োক্তা লৈবা সিটিজেনশিপ এমেন্দমেন্ট বিল পাস তৌখি। লোয়ননা লৈবাক পূন্নমক্তা এন আর সি অমদি এন পি আর চৎনহনগনি হায়না লাউথোক্তুনা মীশীং য়ামজদবা কাঙবু অমদি খুন্নাইগী লৈত–লায়রশিংবু মিপাইবা পোকহনখি হায়না চেরোল অদুনা ফোঙদোক্লি।

পার্টি অসিনা ফেব্রুৱারি ২২ দগী মার্চ ২৩ ফাওবা থা অমা চুপ্পা প্রোটেষ্ট পাঙথোক্কনি। অদুগা ফেব্রুৱারি ২০ দা রিজন অমদি রেস্নেলিটি নুমিৎ পাঙথোক্কনি হায়বা ৱাফমশিংসু চেরোল অদুদা পল্লি।

# লিষ্টনর মীট

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ০৪(এস এন এস)ঃ

অহুমশুবা দাইমন্দ রেডিওগী লিষ্টনর মীট ঙসি দাইমন্দ রেডিওগী কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদগী দাইমন্দ রেডিওগী লিষ্টনর ২৫০ রোমনা শরুক য়াখি। লোয়ননা মশা মশাগী হৈজবা টেলেন্ট কয়া উৎখিবগা লোয়ননা চাকলেন অমসু চামিন্নখি। থৌরম অদুদা সাপম গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান রামে, ৱার্দ মেম্বর জয়সিং, ইনফোটেক ষ্টেন্দর্দ ওর্গনাইজেসনগী জিমি থোকচোমনা দাইস মেম্বর ওইখি।

# মণিপুরদা মীওই অনী স্বাইন ফ্লু...

*লমায় ১গী মখা...* ঙমখ্রে। ইন্দিয়াগী ওইনা মীওই ৩ পোজিটিব ওইবা থেংনরে।

কুমজা ২০১০ দা অহানবা ওইনা ঐচ ১ এন ১ (স্বাইন ফ্লু) গী পোজিটিব কেস অমা থেংনখি অদুম ওইনমক অশিবা য়াওখিদে। কুমজা ২০১৪ ফাওবা মখা তানা কেস অতৈ থেংনদ্রবা মতুংদা ২০১৫ দা লায়না অসিনা নাবা মীওই ৫ থেংনখি, মখোয় ৫ গী মনুংদা ২ লৈখিদে। ২০১৬ গী ওইনা কেস অমত্তা থেংনখিদে। ২০১৭ দা মীওই ৪ নাখি অমদি মীওই ১ লৈখিদে। লোয়ননা ২০১৯ দা কেস ৩ থেংনবদগী মনুংদা ১ লৈখিদে।

চহী অসিগী ওইনা মীওই ২ পোজিটিব ওইবা থেংনখিবনি। অদুম ওইনমক মখোয় অনীমক নুংশা থিনিংঙাই ওইদ্রে, নাবা ফাদুনা ময়ূমদা হনখ্রে। মখা তানা অনাবা অসি থেংননবা দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী থেংননবা হীদাক লাংথক অমদি লায়না অসি টেষ্ট তৌনবা খূৎলায় মতিক চানা লৈ হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

লোয়ননা মীয়াম্না লায়না অসিদগী লাপথোক্তুনা তিংজং কাইজংদনা লৈননবা চাবা থকপা তৌদ্রিঙৈদা খূৎশা শাপোন শীজিন্নদুনা শেংনা হাম্বা, হৈ–রা মনা মশীং অমদি শা–ঙা নীংথিনা চামথোকপা অমদি শেম শাবগা লোয়ননা মুন্না থোঙদুনা চাবা, চৎথোক খোৎতোকপদা মাস্ক উপা, মীয়াম তিনবা মফমদা লোক তিন শিৎপা তৌদবা, অনাবা অসিগী চিংনবা লৈরবদি খুদক্তা হোস্পিটালদা চৎতুনা লায়েংবনচিংবা তৌবিনবা মহাক্না অপিল তৌখি।

# একাদেমি কেম্পেন অসিগী মখাদা সর্ভে হৌরগনি : এম এস এফ

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ০৪(এস এন এস)ঃ

মণিপুরী ষ্টুদেন্ট ফেদেরেসন (এম এস এফ)না লিশাং শীৎনা চৎথদুনা লাকপা একাদেমিক কেম্পেন ঐখোয় লাইরিক নীংথিনা তমসি হায়বা অসিগী চহী ১৪ মপুং ফরকপগী থৌরম অমা লাক্লিবা ফেব্রুৱারি ৯ দা খোংজোমদা লৈবা স্লোপ লেন্দ পব্লিক স্কুলদা পাঙথোক্লগনি লোয়ননা নুমিৎ অসিগী মতুংদগী মহৈলোইশঙশিংদা কেম্পেন অসিগী মখাদা মীৎয়েং চঙবা হৌরগনি হায়না এম এস এফকী প্রিসিদেন্ট শাজদ বুইয়ময়ুমনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি ক্বাকৈথেল থৌনাওজম লৈকাইদা লৈবা ফেদেরেসন অসিগী হেদ ওফিসতা পাঙথোখিবা পাউগী মীফম অমদা মহাক্না মখা তানা হায়, একাদেমিক কেম্পেন অসিনা চহী ১৪ মপুং ফারকপগী পাঙথোক্কদবা থৌরম অসিগা মরী লৈননা মোরেল এদুকেসন এৱার্নেস প্রোগ্রাম অমদি ঐখোয়গী খুন্নাই খঙমিন্নসি হায়বা প্রোগ্রাম অমসু পাঙথোক্কনি। লোয়ননা মখা তারকপদা এম এস এফনা লমদম অসিগী মহৈলোইশঙশিংদা চঙশিল্লক্কদবা সর্ভেশিং অসিদসু মীয়াম্না মপুং ফানা শৌগৎপীয়ু অমদি মতেং পাঙবিয়ু হায়খি।

লোয়ননা হন্দক ফেদেরেসন অসিগী ১৭ শুবা ফেদেরেল এক্সজিক্যুটিব কাউন্সিল শেমদুনা নৌনা থৌ পুবা হৌখ্রবা মতুং অসিদা মমাঙগী ফেদেরেল কাউন্সিলগী মতমদা শীজিন্নরম্বা ফেদেরেসন অসিগী লেটর হেদ অমদি রিসিপ বুকনচিংবশিং অদু চৎনররোই, অনৌবশিংনা মহুৎ শিল্লনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা হায়খি।

# পুলিস কষ্টদিদা কন্সটেবল ...

*লমায় ১গী মখা...* সি বি আই স্পিসিয়েল ক্রাইম ব্রাঞ্চ কোলকটানা ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসননা লৌখৎখি হায়বা এফ আই আর অদু কেস অসিগী ইনভেষ্টিগেসন চত্থনবা সি বি আইনগী এফ আই আর ওইনা লৌখিবনি।

# ‘খুমন লম্পাক্কী ফ্লদ লাইট...

*লমায় ১গী মখা...*

শান্নরোইশিংবু তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকচগনি। মসিদা অহল লমনশিংনা শোয়দনা লাকপীদুনা শরুক য়াবিনবা মহাক্না অপীল তৌখি।

# মৌ অমা শকখঙদবনা মকোক্তা...

*লমায় ১গী মখা...* দি ব্রুটেল টোর্চর এন্দ এটেম্প টু রেপ এন্দ মর্দর ওফ থিঙুজম ওংবী সোমোলা দেবী ওফ চরাংপাট মমাঙ লৈকাই কৌবা জে এ সি অমা শেম্বগা লোয়ননা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পি অমদি দিপুটি কম্মিস্নার থৌবালদা মেমোরেন্দম অমমম পিশিল্লগনি হায়রি।

ঙসিগী মীয়ামগী মীফম অদুদা থৌদোক অসিদা চেন্নরিবা মীওইদু পুং ২৪গী মনুংদা মরী লৈনবশিংনা পুথোকপিনবা তকশিনবা অমদি জে এসিগী ৱাফমশিং থবক্তা ওন্থোরক্রবদি জে এ সিনা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা সি এস ওশিং, মহৈরোই লূপশিং অমদি ক্লবশিংগা পুল্লগা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়বা ৱারেপশিংসু লৌরে হায়রি।

ৱাকৎ মীফমগী খোঙজং অদুদা নুপীদা ওৎপা নৈবগী থবক লেপ্পু, নুপী অসি শান্নপোৎ নত্তে, রেপিষ্ট থৌরি য়াল্লগা হাৎলু, নুপীগী পুন্সি কন্নসি, মরাল লৈবশিং পুথোকউ হায়বা প্লেকার্দশিং শিজিন্নখি।

# লৈঙাক মখোঙ নোম্লবদি থবক...

*লমায় ১গী মখা...*

চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হায়, লাইনিং লাইশোলগী খেন্নবা থমদনা ঐখোয় অমত্তনি হায়বগী ৱাখল্লোনদা পুন্না চৎমিন্নরবদি লমদম অসি মপাঙ্গল কনবা ষ্টেট অমা ওইহনবা ঙমগনি।

মশা মশাগী হৌরকফম খঙবা লৈঙাক অদু মালেমগী লৈবাকশিংনা ইকাই খুম্নগনি। মশাগী হৌরকফম খঙদবা, মপা মপু মশক খঙদবা ফুরুপশিং অতোপ্পা মীওইশিংনা ইকাই খুম্নবা ৱাৎলি।

মতম অমদা হিন্দত্বাগী ৱাখল্লোন শন্দোক্লগনি, খৃষ্টান, ইস্লামনচিংবা ফুরুপশিং হিন্দু ওন্থোক্লগা হায়না শন্দোক্লম্বা অদু হৌজিক্তি বি জে পিগী লুচিংবশিংনা লমদম অসিগী য়েলহৌমীশিংবু কন্নবগীদমক আই এল পি পীরকখ্রবনি।

ঐখোয়না অচুম্বা লম্বী চৎপা তাই, অচুম্বদু চুম্মী অরানবদু লানলি হায়বা ঙম্বগী থৌনা লৈবা তাই। ঐখোয় মশেল মরক্তা মচেৎ মকায় ওইনা থবক তৌবনা মাঙলোমদা চঙশিনবা ঙমদবগী ফিভমদা লাক্লি।

ঐখোয় চাউখৎ থৌরাংদা মাঙ চৎপা ঙমদ্রে। মরম অসিনা লৈঙাক অসিনা হেক লাকপদগী স্কিম কয়া পায়খৎপা হৌরকপনি হায়খি।

থৌরম অদুদা এগ্রিকলচরেল মিনিষ্টর ভি হঙ্খানলিয়ান অমদি সাইতু এম সিগী এম এল এ ঙমথং হাউকিপসু শরুক য়াখি।

# স্পিকরগী ট্রিবুনেলনা মিনিষ্টর শ্যামকুমারগী দিসক্বালিফিকেসন কেস...

*লমায় ১গী মখা...*

কুমজা ২০২০ দগী হৌগদবনা রেস্পোন্দেন্টনা পীরকপা এদজের্নমেন্ট এপ্লিকেসন অদু রিজেক্ট তৌখি।

পার্টি অনীমক্কী ৱাফম তারবা মতুংদা হিয়ারিং অদু লোইশিনবগা লোয়ননা পার্টিশিংনা মখোয় মখোয়গী অর্গুমেন্টশিং মখা তানা পিশিন্নিংবা লৈরবদি ফেব্রুৱারি ১২, কুমজা ২০২০ ফাওবগী মনুংদা অইবা ওইনা পীশিনলক্কবা খঙহনখি। লোয়ননা কেস অসিগী জজমেন্ট রিজার্ভ তৌরগা থমখি হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

হিয়ারিং অদু লোইরবা তুংদা পেটিস্নরগী কাউন্সেল ওইরিবা এস জি হসনেইননা পাউমীশিংদা হায়, ঙসি কেস অসিগী জজমেন্ট অদু স্পিকরগী ত্রিব্যুনেলনা রিজার্ভ তৌখ্র। লোয়ননা অইবা আর্গুমেন্টশিং ফেব্রুৱারি ১২ ফাওবগী মনুংদা পীশিনলক্কবা খঙহনখ্রে হায়খি। মখা তানা পাউমীশিংনা হংবা ৱাহংদা মহাক্না পাউখুম পীয়ু হায়বা য়াখিদে।

পনবা য়াবদি মিনিষ্টর টি ঐচ শ্যামকুমারগী মথক্তা কন্সটিট্যুসনগী ১০ শুবা সেদ্যুলগী মখাদা দিসক্বালিফাই তৌনবা এম এল এ কে মেঘচন্দ্র অমদি এম দি ফজুর রহিমনা সুপ্রিম কোর্টতা থাবা স্পিসিয়েল লিভ পেটিসন (সিভিল) অদু সুপ্রিম কোর্টনা জনুৱারি ১৪ দা অরোইবা হিয়ারিং চত্থরবা মতুংদা জজমেন্ট রিজার্ভ তৌরবা তুংদা জনুৱারি ২১ দা জজমেন্ট অমদি ওর্দর পীদুনা মণিপুর লেজিসলেটিভ স্পিকরনা চয়োল মরিগী মনুংদা স্পিকরগী ত্রিব্যুনেলদা পেন্দিং লৈরিবা দিসক্বালিফিকেসন কেস চয়োল মরিগী মনুংদা ফিরেপ অমা লৌনবা খঙহনখিবনি। লোয়ননা পেটিস্নরগী লিদ এভোকেট ওইরিবা এস জি হসনেইন মশা লাক্তুনা জনুৱারি ২৫ দা সুপ্রিম কোর্টকী ওর্ডর অদু স্পিকরগী ত্রিব্যুনেলদা হকথেংননা খূৎশিন্নরমখিবনি।

ঙসিগী অরোইবা হিয়ারিং অদুদা মিনিষ্টর টি ঐচ শ্যামকুমারগী মথক্তা কোংগ্রেসকী এম এল এশিং টি এন হাউকিপ, এম দি ফজুর রহিম, কে মেঘচন্দ্র, আর কে ইমো, ডা. চালটনলিয়ান অমো, য়ামথোং হাউকিপ, কে রঞ্জিৎ, এম দি অব্দুল নাসির, কে ঐচ জয়কিষন, দি দি থাইসি, ওক্রম হেনরি, সুর্জকুমার ওক্রম, এ কে মিরাবাই, অলফ্রেন্দ কাঙম অর্থর অমদি কোন্থৌজম গোবিন্দাসনা পেটিস্নরশিং ওইদুনা থারকখিবা দিসক্বালিফিকেসন কেস ১৫গী হিয়ারিং পুন্না চত্থখি হায়রি।

অমরোমদা কোংগ্রেসগী টিকেটতা কারক্লগা বি জে পিদা য়াওখি হায়বা এম এল এ ৭ ওইনাম লুখোই, কে এস ঐচ বিরেন, পি ব্রোজেন, এস বীর, ঙমথং হাউকিপ, গীনসুআনহাউ অমদি ৱাই সুরচন্দ্রগী মথক্তা থারকপা দিসক্বালিফিকেসন কেসশিংগী মখা তাবা হিয়ারিংনা লাক্লিবা ফেব্রুৱারি ১১গী অয়ুক পুং ১০.৩০ তাবা মতমদা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ত্রিব্যুনেলনা মতম লেপখবা লৈখ্রবনি।

পনবা য়াবদি এম এল এ ও লুখোইগী মথক্তা খুরাইজম দোরেন্দ্রা,কে ঐচ বসন্তকুমার অমদি এম এল এ কে রঞ্জিৎনা দিসক্বালিফিকেসন পেটিসনশিং পীশিনলকখিবনি, এম এল এ কে এস ঐচ বিরেনগী মথক্তনা খুন্দ্রাকপম গোপাল অমদি অতৈশিং, পাউনম হেরাবী অমদি এম এল এ ও হেনরিনা দিসক্বালিফিকেসন পেটিসনশিং ফাইল তৌরকখিবনি।

এম এল এ পি ব্রোজেনগী মথক্তনা থোঙ্গাম সুরেন্দ্র অমদি অতৈ, লাংপোকলাকপম রোনেন্দ্রো সিংহ অমদি এম এল এ কোন্থৌজম গোবিন্দাসনা দিসক্বালিফিকেসন পেটিসনশিং থারকখিবনি। এম এল এ সনসম বীরগী মথক্তনা মোইরাংথেম সোভা সিংহ অমদি অতৈ, সলাম জয়ন্তকুমার অমদি এম এল এ কে ঐচ জয়কিষননা দিসক্বালিফাই তৌবিনবা পেটিসনশিং পীশিনলকখিবনি।

এম এল এ কে মেঘচন্দ্রনা এম এল এ ঙমথং হাউকিপ, এম এল এ সুর্জকুমার ওক্রমনা এম এল এ গিনসুআনহাউ অমদি এম এল এ দি দি থাইসিনা এম এল এ ৱাই সুরচন্দ্রগী মথক্তা দিসক্বালিফাই তৌবিনবা পেটিসনশিং স্পিকরগী ত্রিব্যুনেলদা পীশিনলকখিবনি।